# চাইনাগী টান ঝোংগিনা য়ুক্রেনগী এনা মুজিচুকপু মায়থিবা পীদুনা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড চেছ চেম্পিয়ন ওইরে


ব্লুমেন্স ব্রার্ল্ড চেছ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭কী চেম্পিয়ন ওইরবী চাইনাগী টান ঝোংগী (য়েৎ) অমসুং অনা মুজিচুক

*টহেরান, মার্চ ৩ঃ*

চাইনাগী শান্নরোই টান ঝোংগিনা য়ুক্রেনগী শান্নরোই অনা মুজিচুকপু মায়থিবা পীদুনা ৱার্ল্ড ব্লুমেন্স চেছ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭কী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ইরানগী কোনুং টহেরানদা মমাং থাগী ১০দগী হৌরকখিবা ব্লুমেন্স ৱার্ল্ড চেছ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭কী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা রেপিদ গেম টাইব্রেক্কী অনীশুবা গেমদা মায়পাক্তুনা টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

ৱার্ল্ড ৱুমেন্স চেছ চেম্পিয়ন্সিপকী ফোর্মেট অসি অহৌবা রাউন্দদগী হৌরগা সেমিফাইনেল ফাওবা ক্লাসিকেল গেম অনী শান্নখি। অদুগা ফাইনেলদনা ক্লাসিকেল গেম ৪ শান্নরবা মতুং টাইব্রেক রেপিদ গেম অনী শান্নবগী চৎন-পথাপ লৈ। করিগুম্বা রেপিদ গেম অনীদসু শান্নরোই অনীনা মায়পাকপা ঙমদনা দ্রো চৎতুনা লৈরবদি ব্লিটস গেম অনী অমুক শান্নগনি। মদুদসু দ্রো চৎপা তারবদি মায়পাকপা শান্নরোই অদু মশক খঙদোক্নবা অর্মাগেদন গেম শান্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী শান্নরোই দ্রোনাভালি হরিকা অমসুং চেম্পিয়ন ওইখিবী চাইনাগী টান ঝোংগিনা শান্নখিবা সেমিফাইনেল মেটচ অদুদা শান্নরোই অনীগী লম্বা য়াম্না কনবা মরম্না অর্মাগেদন গেমদা চাইনাগী টাননা মায়পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌখিবনি।

চাইনাগী টান ঝোংগিনা য়ুক্রেনগী অনা মুজিচুককা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা ক্লাসিকেল গেম ৪গী মনুংদা অহানবা গেম অদু শান্নরোই অনীনা দ্রো চৎখি।

অনীশুবা গেমদা চাইনাগী শান্নরোই টাননা মায়পাক্তুনা পোইন্ট ১.৫-০.৫দা লৈখি। ক্লাসিকেল গেমগী অহুমশুবা লম্বাদা য়ুক্রেনগী মুজিচুকনা অমুক থোইদুনা পোইন্ট ১.৫-১.৫দা লৈনখি।

ক্লাসিকেল গেমগী মরিশুবদা শান্নরোই অনীনা দ্রো চৎখিবদগী পোইন্ট ২-২দা লৈনখিবদগী চৎন-পথাপকী মতুং ইন্না টাইব্রেক রেপিদ গেম অনী শান্নবা তাখি। অহানবা টাইব্রেক গেম অদু শান্নরোই অনী দ্রো চৎখি। মদুগী মতুং ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা টাইব্রেক রেপিদ অদুদি চাইনাগী শান্নরোই টান ঝোংগিনা মুভ ৪২দা মায়পাকপা ঙমখিবদগী ব্লুমেন্স ৱার্ল্ড চেছ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭কী টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

# ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি টিম্না বেলারসপু মেটচ ৫গী হোক্কি টেষ্টকী অনীশুবা মেটচ পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে

*ভোপাল মার্চ ৩ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম্না বেলারসকী হোক্কি টিমগা শান্নবা মেটচ ৫গী হোক্কি টেষ্ট সেরিজগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতসু য়ুম্বু ওইরিবা ইন্দিয়াগী টিম্না পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা সেরিজ অসিদা মেটচ ২-০দা মাংজিল থাদুনা চৎলি।

নিংশিংবা য়াবদি টিম অনীনা ঙরাং শান্নখিবা অহানবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়ানা য়াম্না হেন্দুনা পাঞ্জল ৫-১দা মায়পাকপা ঙমখিবনি।

ঙসি বেলারসকী শান্নরোইশিংনা মমাংগী মেটচ অদুদগী হেন্না ফজনা শান্নবা হৌরকখি। ইন্দিয়াগী কেপ্তেন রানি রামপালনা য়াম্না ফজবা মওংদা মহাক্কী শান্নরোইশিং অদুবু লুচিংদুনা বেলারসপু মায়োক্লরকখি।

বেলারসকী মায়োক্তা ইন্দিয়ানা অহানবা ক্বার্টর অদুদা চথখিবা এটেক্ট অমদা টিম অদুনা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংবা ঙমখি। খুদোংচাবা অদু মাঙহন্দনা ইন্দিয়াগী কেপ্তেন রানি রামপালনা পেনাল্টি কোর্নর অদু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১-০দা বেলারসপু মাংজিল থাবা ঙমখি।

বেলারসকী শান্নরোইশিংনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ইন্দিয়াবু মখা তানা শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর অদুদা ইন্দিয়াগী ষ্ট্রাইকরশিং অদুবু নিংথিনা ফাজিন্দুনা মখাতানা পাঞ্জল চলহন্দবা ঙমখি। অহানবা হাল্ফ অদু লোয়শিল্লকপদা ইন্দিয়ানা বেলারসপু ১-০দা অদুম্মক মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর হেক হৌরকপগা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা বেলারসকী মায়কৈদগী সিয়াটলানা বাহুসেবিসনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ অদু মান্ননা পুরকপা ঙমখি। পাঞ্জল অদু ফিল্ড গোল অমদগী চনখিবনি। সিয়াটলানা ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অদুদসু অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চনখিবনি।

শান্নবগী অরোইবা মিনিট্টা ইন্দিয়াগী লালরেমসিয়ামিনা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখিবা অদু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-১দা ইন্দিয়ানা মায়পাকপা ঙমখি।


বেলারসপু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা হরাওবা ফোংদোক্লিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি শান্নরোইশিং

# মেক্সিকো ওপনদা সর্বিয়াগী নোবাক জোকোবিস ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক ক্রাইগিয়োসকী মখুত্তা ক্বার্টর ফাইনেল মায়থিহৌরে

*মেক্সিকো সিটি, মার্চ ৩ঃ*

মতম শাংনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোই ওইরম্লবা সর্বিয়াগী শান্নরোই নোবাক জোকোবিসপু ঙরাং শান্নখিবা মেক্সিকো ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই নিক ক্রাইগিয়োসনা মায়থিবা পীরমদুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৱাইল্ড কার্দ শান্নরোই অমা ওইনা শরুক য়ারকখিবা অদুগা টুর্নামেন্ট অসিমক্কী নম্বর ৱান সিদেদ ওইখিবা জোকোবিসনা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই নিক ক্রাইগিয়োসকা ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা তৌনরকপদা অহানবা সেট অদু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা লাকশিনবা ঙম্নদবদগী টাইব্রেক শান্নরকপদা ক্রাইগিয়োসনা পোইন্ট ১১-৯দা থোইদুনা অহানবা সেট অদু মহাক্না জোকোবিসপু থোইখি।


অনীশুবা গেম অদুসু মায়কৈ অনীমক্তগী অমনা অমবু অকনবা মওংদা লান্থেংনদুনা গেম ১০ শান্নবা লোয়রা ফাওবদা গেম ৫-৫দা লৈনখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক ক্রাইগিয়োসনা অনীশুবা সেট অদুগী মখা তাবা গেম অনী মহাক্না থোইবা ঙমখিবদগী গেম ৭-৫দা মায়পাক্তুনা নোবাক জোকোবিসপু ষ্ট্রেট সেটতা ২-০দা ক্বার্টর ফাইনেল অদু থোইদুনা মেক্সিকো ওপন টেন্নিসকী সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

নিক ক্রাইগিয়োসনা সেমিফাইনেলদা ওষ্ট্রিয়াগী শান্নরোই দোমিনিক থিয়েমবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরম্বা য়ু এস এগী শান্নরোই সাম ক্বেরিগা লম্বা তৌনরগনি।

সাম ক্বেরিনা দোমিনিক থিয়েমবু ক্বার্টর ফাইনেলদা ৬-১, ৭-৫দা মায়থিবা পীরম্বনি। টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা সেমিফাইনেলদা স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং ক্রোএসিয়াগী শান্নরোই মারিন সিলিক্কা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই স্পেনগী রাফেল নদালনা ক্বার্টর ফাইনেলদা জপানগী শান্নরোই ৱাই নিসিয়োকাবু ৭-৬ (৭-২), ৬-৩দা থোইবা ঙমখি।

অমরোমদা রাফেল নদালগী লম্বা ওইগদৌরিবা ক্রোএসিয়াগী মরিন সিলিকনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা য়ু এস এগী শান্নরোই ষ্টিব জোন্সনগা লম্বা তৌনগদবা মেটচ অদুদা জোন্সন শান্নবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু মারিন সিলিকনা ৱাক ওভর ফংদুনা সেমিফাইনেলদা স্পেনগী রাফেল নদালগা শান্নগদৌরিবনি।


জোকোবিসপু মায়থিবা পীরম্বা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই নিক ক্রাইগিয়োস

# দুবাই ওপন টেন্নিসতা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং পোলেন্দগী মাটকোস্কি ডবলসকী ফাইনেল য়ৌখ্রে

*দুবাই, মার্চ ৩ঃ*

ইন্দিয়াগী টেন্নিস শান্নরোই রোহন বোপানানা পোলেন্দগী শান্নরোই মার্সিন মাটকোস্কিগা জুরা ওইদুনা শান্নরকপদা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মখোয় অনীনা সেমিফাইনেলদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই লিয়েন্দর পেস অমসুং স্পেনগী শান্নরোই গুইলর্মো গার্সিয়াবু মায়থিবা পীরম্বনি।

য়ু এস ডোল্লর ২,৬২৭,১৬০গী শেলগী মনা লৈবা ডুবাই ওপন দ্যুটি ফ্রি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী সেমিফাইনেলদা বোপানা অমসুং মাটকোস্কিনা পেস অমসুং গার্সিয়াবু য়াম্না কন্না তৌনখিবা লম্বা অদুদা সেট ২-১দা মায়পাকখিবনি।

সেমিফাইনেলগী অহানবা সেট অদু ইন্দিয়া অমসুং পোলেন্দগী জুরা অদুনা অতোপ্পা ইন্দিয়া অমসুং স্পেনগী জুরা অদুবু সেট ৬-৩দা থোইদুনা সেট অমা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা সেটতদি পেস অমসুং গার্সিয়াগী জুরানা অমুক ফজবা হেল্লক্তুনা অহানবা সেটকী স্কোর অদুদা চপ মান্ননা ৬-৩দা থোইদুনা সেমিফাইনেল অদুদা সেট ১-১দা লৈনরকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চৎন-পথাপকী মতুং ইন্না সেট ১-১ থোইনরবদি সুপর টাইব্রেক শান্নবা তাখি। মদুদা পোইন্ট ১০ হান্না য়ৌবা ঙম্বা মায়কৈনা মেটচ অদু মায়পাক্কদৌরিবনি।

দিসাইদিং সেট অদুদা বোপানা অমসুং মাটকেস্কিনা পেস অমসুং গার্সিয়াবু পোইন্ট ১০-৬তা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লকপনি। ফাইনেলদা রোহন অমসু গার্সিয়ানা ফিন্দলেন্দগী হেনরি কোন্টিনেন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন পিয়র্স অমদি নেদরলেন্দসকী রোজর জোন জুলিয়ন অমসুং রোমানিয়াগী টেকাও হোরিয়াগী অথোইবগা শান্নরগনি।

পনবা য়াই টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ক্বার্টর ফাইনেলদা ঙরাং শান্নখিবা মেটচশিংদা মায়পাক্তুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি নম্বর ৱান সিদেদ বৃটেনগী এন্দি মুরে, ফ্রান্সকী লুকাস পোলি, স্পেনগী ফর্নান্দো ভর্দাস্কো অমসুং নেদরলেন্দসকী রোবিন হেসেনি।

এন্দি মুরেনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা জর্মনিগী পোল কোলষ্ক্রেবরগা শান্নবদা য়াম্না কনবা লম্বা মায়োক্লদুনা সেট অহুম চংনা ২-১দা মায়পাকখি।

অহানবা সেট অদু টাইব্রেক্তা ৭-৬ (৭-৪)তা জর্মনিগী কোলষ্ক্রেবরনা থোইখি। অনীশুবা সেট অদুসু য়াম্না কন্না লম্বা তৌনরবা মতুং টাইব্রেক্তা পোইন্ট ৩৮ চংনা শান্নরবা মতুং মুরেনা থোইদুনা অহুমশুবা সেট শান্নখিবনি।

অনীশুবা টাইব্রেক অদু মুরেনা কোলষ্ক্রেবরবু ২০-১৮দা হেন্দুনা অহুমশুবা সেট অদুদসু গেম ২-১দা মায়থিবা পীদুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙম্লকপনি। মহাক্না সেমিফাইনেলদা শান্নগদৌরিবা ফ্রান্সকী লুকাস পোলিনা ক্বার্টর ফাইনেলদা রুসিয়াগী ই দোন্সকোইবু ৬-৪, ৫-৭, ৭-৬(৭-২)তা থোইরমখি।

স্পেনগী ফর্নান্দো বর্দাস্কোনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ফ্রান্সকী গেল মোনফিলসপু ৬-৩, ৭-৫দা মায়থিবা পীদুনা সেমিফাইনেলদা নেদরলেন্দসকী রোবিন হেসকা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

নিংশিংবা য়াবদি নেদরলেন্দসকী রোবিন হেসনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা বোসনিয়া এন্দ হর্জিগোবিনাগী দামির জুমহুরবু সেট ২-১দা মায়পাকপা ঙমখিবনি। হেসনা জমুহুরবু ৬-২, ৪-৬, ৬-৪দা থোইরমখি। জুমহুরনা ৱারিঙ্কাবু অহানবা রাউন্দা থোইরম্বনি।



# চেন লোংগী মখুত্তা মায়থিদুনা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্ট জর্মন ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিদ্রে

*বর্লিন, মার্চ ৩ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপাগী বেদমিন্টন শান্নরোইশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা কিদম্বী স্রিকান্ট বর্লিন সহরদা পাঙথোকপা জর্মন ওপন গ্রান্দ প্রি গোল্ড বেদনিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা চাইনাগী শান্নরোই চেন লোংগী মখুত্তা মায়থিদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

ওলিম্পিক চেম্পিয়নসু ওইরিবা টুর্নামেন্ট অসিগীসু ২শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা চাইনাগী চেন লোংনা ইন্দিয়াগী স্রিকান্টপু মায়থিবা পীনবা হোৎনবদা য়াম্না ৱানা মিনিট ৪৭ চংনা শান্নখি।

অহানবা গেম অদু চেন লোংনা টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা সিদেদ শান্নরোই ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্টপু ২১-১৯দা য়াম্না নক্লনা থোইদুনা গেম অমা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা গেম অদুদসু শান্নরোই অনীগী লম্বা য়াম্না কনখি। স্রিকান্টকী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা গেম অদু থোইনবা হোৎনরকখি।

পোইন্ট ২০-২০ ফাওবা লৈনরম্বদগী চেন লোংনা থংনবা পোইন্ট অনী লৌদুনা ২২-২০দা মায়পাকপদগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। চেন লোংনা ক্বার্টর ফাইনেলদা দেনমার্কী শান্নরোই হান্স ভিটিংগসকা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা চাইনাগী শান্নরোই লিন দানবু দেনমার্কী শান্নরোই ইমিল হোল্টসনা ২১-১০, ২১-১৬তা মায়থিবা পীরমখি।

মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোই চৌ টিয়ান চেনগা লম্বা তৌনরগনি। অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা হোং কোংগী লোং এঙ্গসকা জপানগী টকুমাগা থেংনগনি।







Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*